হুইয়েন লানপাউ

# হুইয়েন লানপাউ



লম্ফেল সনা কৈথেল, শিংজমৈ চীংঙামখানচিংবদগী পুলিসনা ফাগৎলকপা লুপা লাখ ৫ রোমগী য়ুঙাঙ অমসুং য়ুঙৌশিং পাউমীশিংদা উৎপগী শক্তম



তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্তকী মনুং চনবা মোরে গেট নম্বর ৱানদা শিন্নী অহুম ইন্দিয়ন রিজার্ব বট্টালিয়নগী পার্সনেলশিংনা চৈফম নাইনা ফুৱক্লে হায়না পাউমীশিংদা পাউদম্বা





কাংচুপ-তমেংলোং লম্বী শেম্নবগী লম শোক্কদবশিংগী অপাম-পামদা খঙদোক্লনবা ইম্ফালগী শামুশঙ কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকপা পব্লিক হিয়ারিং থৌরমগী শক্তম



লম্ফেলপাৎতা লৈবা কোলেজ ওফ নর্সিংগী মল্টিপর্পজ হোলদা গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুর স্কুল ওফ এ এন এম/ এফ ঐচ দব্লিয়ুগী কেপ্পিং এন্দ লেম্প লাইটিংগী থৌরম

Vol. 41, Issue No.023 | নোংমাইজিং, শজিবু ২০ নি পানবা | অপুনবা লামায় মশিং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Sunday, April 16, 2017, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

**অ ঈং-অশাগী পাউ**

| মফম | খ্বাইদগী শাবা | খ্বাইদগী ঈংবা |
|---|---|---|
| বিষ্ণুপুর | এন এ °C | এন এ °C |
| চান্দেল | ৩০.৬৭ °C | ১৮.২৫ °C |
| সীসীপুর | ২৫.৯৯ °C | ১৫.৭০ °C |
| ইম্ফাল | ২৫.৭৫ °C | ১৪.৪০ °C |
| সেনাপতি | ২৩.৭৪ °C | ১২.৮২ °C |
| তমেংলোং | ২৬.৯৯ °C | ১৫.৮৭ °C |
| থৌবাল | এন এ °C | এন এ °C |
| উখ্রুল | ২১.০৩ °C | ১৪.২১ °C |
| মণিপুর | ৩০.৬৭ °C | ১২.৮২ °C |

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.০০ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.৫১
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.৩৭
দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট,জি ও এম

## পুলিসনা য়ু ট্রক লোদ অহুম ফারে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৫ : মণিপুরদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক য়োনবা অমদি শীজিন্নবগী অথিংবা লৈনা লৈনা নারোন্দা য়োল্লম্বা য়ুঙৌ অমসুং য়ুঙাঙ মিনি ট্রক লোদ ৩ পুলিসনা ফারে।

ঙসি নুমিদাং পাউমীশিংগা উনবদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এদিসনেল এস পি (এল ও) এল প্রিয়াদর্সিনিনা হায়খি, ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্তকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা য়োল্লম্বদগী ফাগৎলবা য়ুঙৌ, য়ুঙাঙ অমসুং বিয়রশিং অদুগী মমল চাওরাক্লা লুপা ৪,৮৩,৩৮০ রোম ওইগনি।

মহাক্না হায়খি, ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্তকী মনুংদা পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা ময়াই কাবা চীঞ্জাকশিং য়োনবগী থবক আই জি পি (এল ও) জোন ৱানগী ক্লে খোঙসাই অমদি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পি এন হেরোজিৎকী মীৎয়েং মখাদা ঙসি তোঙান তোঙানবা মফমদা য়ুঙাং, য়ুঙৌ অমদি বিয়ারনচিংবা ফাগৎপা ঙমখ্রে। মসিদা নত্তনা য়ু য়োল্লম্বা, থক্লম্বশিংসু ফাগৎখি হায়রি।

ইম্ফাল ৱেষ্টকী এদিস্নেল এস পি (ওপরেসন) ডা. এস ইবোমচা, মহাক মশামক য়াওনা অমদি ইম্ফাল ৱেষ্টকী এস দি পি ও, ৱাই চন্দ্রমনি অমদি দি এস পি রত্না ঙাশেপ্পম, শিংজমৈ পি এসকী ও সী, ...মখা লামায় ৩ কলম৬

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা ফংবিগনি

**FOREX (INDIA RUPEES)**

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 68.432509 |
| US Dollar | 64.481900 |
| British Pound | 80.731339 |
| Australian Dollar | 48.848586 |
| Chinese Yuan Renminbi | 9.361891 |
| Japanese Yen | 0.593838 |
| Malaysian Ringgit | 14.642498 |
| Nepalese Rupee | 0.627867 |
| Russian Ruble | 1.145967 |
| Singapore Dollar | 46.127692 |
| South Korean Won | 0.056742 |
| Thai Baht | 1.876383 |
| Myanmar Kyat | 0.04733 |
| Bangladesh Taka | 0.79735 |

**Spot Gold (24K) Rates/10gm**

| | | |
|---|---|---|
| Chennai | – | Rs 30395.72 |
| Mumbai | – | Rs 30877.01 |
| Delhi | – | Rs 30481.28 |
| Kolkata | – | Rs 30877.01 |

**HL POLL**

Q : Health Minister L Jayanta Kumar na CM da fam thadokpagi cherol pisinkhiba adu dhapni louba yabra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes [ ] No [ ]

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Ukhrulgi Tangkhul Nagalong groundda CMna Manipurgi lam kaiba yaroi haiba ngamgadra?

Yes 51% No 49%

**অস! লোইরেহে!**





### হেল্ঠ মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমার ফম থাদোকপগী চেরোল পীশিনখ্রে

## চীফ মিনিষ্টর হল্লকপা ঙাইখিগনি : জয়ন্তকুমার

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৫ (ঐচ এন এস): নোংথোম্বম বিরেননা লুচিংবা থা ১ রোমতমক ঙাইরিবা ভারতিয়া জনতা পার্টিগী চুংশিন্নবা লৈঙাক মনুংদা উংখৎনরে। হেল্ঠ মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমার ফম থাদোকচরগে হায়না চীফ মিনিষ্টরদা চেরোল অমা পীশিনখ্রে।



থাজবা য়াবা মফমদগী ফংবা পাউনা হায়, এল জয়ন্তকুমারনা ফম থাদোকপগী চেরোল পীশিনখিবা অদু থা অসিগী ১৩গী নুমিদাংৱাইরমদনি। মহাক্কী ফম থাদোকপগী চেরোল অদুদা 'মিনিষ্টর অমা ওইবগী থবক থৌরমশিংদা খুৎ থিংজিল্লকপনা মহাক্কী ইকায় খুম্নবদা শোকহল্লে, এন পি পিগী অতোপ্পা মিনিষ্টর ৩ দি অফবা থবকশিং পাঙথোকপা ওইরসনু' হায়নসু ফোঙদোক্লি।

চীফ মিনিষ্টরদা পীশিনখিবা ফম থাদোকপগী চেরোল অদুদা মহাক্কী মথক্তা কনানা খুৎ থিংজিনবগে হায়বা অমসুং চপ চাবা করি ৱাহৌগীনো হায়বদুদি করিমত্তা পনখিদে। অদুমকপু মহাক্কী ফম থাদোকপগী চেরোল অদু চীফ মিনিষ্টরনা অয়াবা পীদ্রি।

লম্ফেলপাৎতা লৈবা কোলেজ ওফ নর্সিংগী কেপ্পিং এন্দ লেম্প লাইটিংগী থৌরমদা শরুক য়াবা লাকখিবা হেল্ঠ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারদা পাউমীশিংনা হংখিবা ৱাহং অমগী পাউখুম পীরদুনা মহাক্না হায়খি, 'মিদিয়াগী ইচিল-ইনাওশিংদা ঐনা হায়দৌরিসি নুংঙাইখিরোই, খিত্তং লোন্না থমখিগে। ইকায় খুম্নজরবা চীফ মিনিষ্টরনা মণিপুরগী মপান্দা চৎত্রিঙৈগী মমাঙদা ...মখা লামায় ৩ কলম ২

# ট্রাইবেলশিংগী য়ুনিয়ন টেরিটোরিদগী তাদবা এদমিনিষ্ট্রেটিব য়ুনিট শেম্বীয়ু : অটসুম

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৫ (ঐচ এন এস) :

মণিপুরগী ট্রাইবেল এরিয়াশিং পুনশিল্লগা য়ুনিয়ন টেরিটোরিদগী তাদবা তোখায়বা এদমিনিষ্ট্রেটিব য়ুনিট অমা শেম্বীনবা ওল ট্রাইবেল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন মণিপুর (অটসুম) না ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট প্রানব মুখর্জিদা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে।

অটসুমগী জেনরেল সেক্রেটরি ৱিশিংটন সিংলাই অমসুং প্রসিদেন্ট ভুংখোলিয়ননা খুৎয়েক পীরগা প্রসিদেন্টতা পীশিনখিবা ৱাকৎ-চে অদুগী মতুং ইন্না মণিপুরদা খুন্দারিবা তোঙান-তোঙানবা ত্রাইব ২৯ গী কন্সটিট্যুস্নেল রাইট ফংনবগীদমক ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ২৩৯ অমসুং ২৩৯ (এ) গী মখাদা য়ুনিয়ন টেরিটোরিদগী তাদবা এদমিনিষ্ট্রেটিব য়ুনিট অমা শেম্বা মথৌ তাই।

ট্রাইবেল মীয়াম্না মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং পল্লদুনা চেরোল অসিনা হায়, চীংগী দিষ্ট্রিক্ত খরদা মণিপুর লেন্দ রেভিন্যু এন্দ লেন্দ রিফোর্মস এক্ট নমদুনা চৎনহনবগা লোয়ননা ট্রাইবেলগী লমদা মিতাবা হৌরকখি।

মণিপুরী লোল নমদুনা চৎনহনখিবগী মতাংদা চেরোল অসিনা হায়, বৃটিশ য়ৌরক্ত্রিঙৈ মমাঙদা ট্রাইবেল মীয়াম্না মহৈ-মশিন তম্বগী খুদোংচাবা ফংলমদে। বৃটিশ য়ৌরক্লবা মতুংদা ট্রাইবেল মীয়াম্না ইংলিশ তম্বা হৌরকখি অদুবু মণিপুরী তমখিদে, তুংদসু তম্বগী অপাম্বা লৈতে। মতম খরগী তুংদা মণিপুর লৈঙাক্লা এদ্যুকেস্নেল ইন্সটিট্যুসন অমসুং কম্পিটিটিব ইগজামিনেসনগী খুত্থাংদা মণিপুরী লোলবু ট্রাইবেল মীয়ামদা নমদুনা তমহন্নবা থৌরাং লৌখৎলকখি। হন্দক্তা মেজর ইন্দিয়ন লেঙ্গুয়েজ (মণিপুরী) বু ওল ইন্দিয়া সিভিল সার্ভিসেস কম্পিটিটিব ইগজামিনেসনদা কম্পলসরি ওইহনখি-বদগী ট্রাইবেলশিং নিংবা কায়নখি। হীরম অসিগী মতাংদা ট্রাইবেল মীয়াম্না অঙনম্বা থাক্তা মায়োক্লনবা হোৎনরি। মতুং তারকপদসু মণিপুরী লোলবু ইলিমেন্টরি স্কুল লিভিং সার্টিফিকেট ইগজামিনেসন (ক্লাস আইট) দা কম্পলসরি ওইহল্লকপদগী ট্রাইবেল মীয়ামদা চাউনা খুদোংচাদবা মায়োক্লহনখি।

ট্রাইবেল মশেল তোয়না হাৎন-শুনবগী থৌদোক থোকপদা ট্রাইবেল লুচিংবা খরনা ময়েক শেংনা খঙবা ঙমদবা লাইবক থীবনি হায়না পল্লদুনা চেরোল অসিনা হায়, ফুরুপ মশেল খুৎ থোক্লবদা মীওই কয়া লৈখিদবগা লোয়ননা য়ুম অমসুং লন-থুম কয়ামরুম অমাঙ-অতা থোকখ্রে। চাউখৎলবা মতম অসিদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা মরাল লৈজদবা ট্রাইবেল কয়াগী পুন্সি কনবা ঙমখিদে। মায়কৈ কয়াদগী অকনবা মওংদা প্রেসর পীশিল্লক্লবা মতুংদা সুপ্নগী ভিক্টিম খরখক্তা এক্স-গ্রেসিয়া পীখি। কুমজা ১৯৯৪ দা মণিপুরী অমসুং মুস্লিমশিংগী মরক্তা কাঙলুপকী হাৎন-শুনবা থৌদোক থোরকপা মতমদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা তেল্লবা নুমিৎ তরেৎনিগী মনুংদা ফীভম লাকশিনবা ঙমখি। অদুবু চহী কয়া লিশাং শিংনা ট্রাইবেলশিংগী মরক্তা থোকখিবা উংখৎনবগী থৌদোকশিংদি মতম চানা লাকশিন্নবা হোৎনখিদে। পুম্নমক অসিদগী ট্রাইবেল মীয়াম্না মণিপুরদা মখা তানা লৈরিবমখৈ কাঙলুপকী হাৎন-শুনবগী থৌদোক থিংবা ঙম্লোই হায়বা ময়েক শেংনা খঙলে।

শেমগৎ-শাগৎপগী থৌরাং লৌখৎপগী মতাংদা চেরোল অসিনা হায়, মণিপুরগী অপুনবা শরুক্কী চাদা ৯১ না চীংগী শরুকনি অমসুং লেমহৌরিবা চাদা ৯ না তম্পাক্কী শরুকনি। শেমগৎ-শাগৎপগী থৌরাং লৌখৎপা মতমদদি ট্রাইবেল এরিয়াগী কায়থরকপা শেনফমশিং তম্পাক্তা শীজিন্নরি।

সার্ভিস কোটা অমদি প্রমোসন রুলসকী মতাংদা ৱাকৎচে অদুনা হায়, তোঙান-তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংদা থবক চঙবদা ট্রাইবেল কেন্দিদেটশিংগী চাদা ৩১ রিজার্ব তৌবগা লোয়ননা প্রমোসন পীবদসু চপ মান্নবা চাংদা খুদোংচাবা ফংহনফম থোকই। অদুবু দিপার্টমেন্ট অমত্তনা রিজার্ভেসন পোলিসি ঙাক্লা চৎপা থেংনদ্রে। মতৌ অসুম্না মণিপুর লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্ট খুদিংমক্তা ট্রাইবেল ইমপ্লোয়ী মশীং হন্থরক্লবগী মরম ওইরক্লি। ট্রাইবেল ৱেলফেয়র দিপার্টমেন্টতা ফাওবা জেনরেল কাঙবুদগী ট্রাইবেল ষ্টাফনা মশীং হন্থরি।

মহৈলোইশঙশিংদা মিং চনবগী মতাংদা চেরোল অসিনা হায়, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি, সেন্ট্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিটি, রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস অমদি পোলিটেক্নিকনচিংবা অৱাংবা থাক্কী মহৈ তম্ফম লোইশঙ পুম্নমক কেম্পস মরাং কায়দবা ইম্ফাল এরিয়াদা লোইনা লৈরি। মিং চনবগী মতাংদসু রিজার্ভেসন পোলিসি মপুং ফানা চৎনদবা মরম্না মশীং য়ামদবা ট্রাইবেল ফুরুপকী মীওই কয়া মিং চনবা ফংদ্রি।

চীংগী খুঙ্গংশিংদা মৈ পীবগী মতাংদা চেরোল অসিনা হায়, ইন্দিয়ানা নিংতম্বা ফংখিবগা লোয়ননা মণিপুরদা ষ্টেটহুদ ফংবা মতম ফনা কুইশিল্লক্লবসু চীংগী দিষ্ট্রিক্তশিংগী সব-দিভিজনেল হেদ ক্বার্টরস অয়াম্বদা মৈ ফংহনবা ঙমদ্রি। হীরম অসিগী মতাংদা য়াম্লবা শেনফম অমা কায়থরক্লবসু মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনা চীংগী মফমশিং থৌশাদবদগী ফীভম অসি ওইরকপনি।

কুমজা ১৯৯৯ দা মণিপুরনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা নেসনল গেমসকী মতাংদা চেরোল অসিনা হায়, মণিপুরনা য়ুম্বু ওইখিবা মঙাশুবা নেসনল গেমসকীদমক শেমগৎ-শাগৎপগী থৌরাং কয়া লৌখৎখিবগা লোয়ননা দিপার্টমেন্ট অয়াম্বগী ফন্দ হীরম অসিদা থাধখি। অদুবু ষ্টেদিয়ম শাবা অমদি অতৈ মরী লৈনবা শেমগৎ-শাগৎপগী থৌরাং পুম্নমক ইম্ফাল এরিয়া খক্তদা ...মখা লামায় ৩ কলম ২

## মীতোপ্তা এ জি ওইহনবীগনু : এসোসিএসন

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৫ (ঐচ এন এস):

এদভোকেট জেনরেল খনবা মতমদা মণিপুরদগী মতিক চাবা মীওই খনবীয়ু হায়না হায় কোর্ট বার এসোসিএসন মণিপুরগী প্রসিদেন্ট কে ঐচ বিনোয়কুমারনা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

হায় কোর্ট বার এসোসিএসনগী ওফিসতা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা এসোসিএসন অসিগী প্রসিদেন্ট কে ঐচ বিনোয়কুমারনা হায়খি, ঙসি নুংথিল হায় কোর্ট বারগী ওফিসতা এসোসিএসন অসিগী মেনেজিং কম্মিটিগী মীটিং অমা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা লৌখিবা ৱারেপশিংগী মনুংদা মণিপুর লৈঙাক্লা এদভোকেট জেনরেল খনবা মতমদা লমদম অসিদা লৈরিবা মতিক চাবা লোয়রশিং মীরায়রম্লগা মপান্দগী মীওই খন্নবা হোৎনরক্লবদি প্রোটেষ্ট তৌবা, মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরদা এদভোকেট জেনরেল খনবা মতমদা মণিপুরদগী মতিক চাবা মীওইশিংদগী খনবীনবা তকশিনবা, হায় কোর্ট বার এসোসিএসন মণিপুরগী মীফম অমা থা অসিগী ১৭ কী অয়ুক পুং ১১.৩০ তাবদা মখা তানা ষ্টেট অসিগী ষ্টেক হোল্ডরশিং ইনভাইট তৌদুনা পাঙথোকপা হায়বা অসিনি।

মণিপুরদা এদভোকেট জেনরেল ওইবা য়াবা মীওই মশীং য়াম্না লৈরি। মীওইশিং ...মখা লামায় ৩ কলম ৩

## ইন্দিয়ানা নাগাগী ৱারোইশিন থিন্থহন্নবা হোৎনরে : আই-এম

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৫ : নাগাশিংবু ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসন মখাদা থম্নবা হোৎনরিবা মখৈদি নাগা মীয়ামগী ঈহৌ লোইশিনহনবা ঙম্লোই হায়না পল্লদুনা এন এস সী এন (আই-এম)না হায়খ্রে মদুদি, ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা অরোইবা ৱারোইশিন পুরকপদা থিন্থহন্নবা হোৎনরে।

'দ ৱিক' মেগজিনদা পীখিবা ইন্টর্ভিয়ু অমদা নাগা আর্মিগী মকোক ফুনটিং শিমরাংনা হায়খি, সেন্ট্রেল গভর্ণ-মেন্টনা অরোইবা ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনবদা থিন্থহন্দুনা নাগা মীয়াম্বু ইকায়বা পীনবা হোৎনরি।

"ঐখোয়না চাইনাদা চৎলুরবা মতুংদা ইন্দিয়ানা মীৎকপ থোরকখি। হন্দকসু নাগা আর্মিনা অমুকহন্না চাইনাদা চৎলবা মতুংদা ইন্দিয়ানা মীৎকপ থোরক্কদৌরিব্রা?" হায়না শিমরাংনা হংখি। হেব্রোনদা লৈবা এন এস সী এন (আই-এম)গী হেদ ক্বার্টরসতা *দ ৱিক* কা উনখিবদা মহাক্না হায়খি, নাগাগী প্রোব্লেম অসি ইন্দিয়া মনুংগী ওইবা ৱাথোকনি হায়না লৌবা চুমদে।

অতোপ্পা ইন্টর্ভিয়ু অমদা এন এস সী এন (আই-এম)গী হোম মিনিষ্টর আর ঐচ রাইসিংনা হায়খি, কুমজা ২০১৫ গী ওগষ্ট ৩ দা এন এস সী এন (আই-এম)গী জেনরেল সেক্রেটরি থুইঙালেং মুইভা অমসুং গভর্ণমেন্টকী ইন্টরলোক্যুটর আর এন রবিনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মমাঙদা সাইন তৌনখিবা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টনা নাগাশিংগী আইদেন্টিটি, হিষ্টরি অমসুং টেরিটরি শকখঙবীরে।

ইন্দিয়া অমদি নাগাশিংনা তোঙান-তোঙানবা মওংদা পূন্না হিংমিন্নবগী ৱাফম য়ানরে হায়না পল্লদুনা রাইসিংনা হায়খি, করিগুম্বা নাগাশিংবু ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসন মখাদা থম্বা পাল্লবদি নাগা মীয়ামগী ঈহৌ মখা চথখিগনি।

পনবা য়াবদি, এপ্রিল ১১ দা ইন্নর মণিপুর লোক সভা কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এম পি ...মখা লামায় ৩ কলম ১

## ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী থবক লৌখিবশিং কোর কম্মিটি শেমদুনা থিজিনহল্লগনি: শ্যামকুমার



ইম্ফাল, এপ্রিল ১৫ (ঐচ এন এস):

হন্দক পাঙথোকখিবা ১১শুবা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেম্ব্লীগী মীখল মমাংদা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী মখাদা তোঙান তোঙানবা ফমশিং লৌখিবা অদু রিক্রুইটমেন্ট রুলস ঙাক্লা লৌখিব্রা হায়বা কোর কম্মিটি অমা শেল্লগা থিজিনহল্লগনি হায়না ফোরেষ্ট এন্দ এনভাইরোনমেন্ট মিনিষ্টর টিঐচ শ্যামকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

সেক্রেটরিয়েটতা লৈবা মশাগী ওফিসতা ঙসি পাউমীশিংগা উনবা অমদা মিনিষ্টর টিঐচ শ্যামকুমারনা হায়খি, চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেনগী পাউতাক মতুংইন্না মীখল মমাংদা তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্ট-শিংগী থবক লৌখিবশিং পরম চুম্না লৌখিব্রা হায়বদু থিজিন্নবা খঙহনখিবা লৈরে। ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টগী মখাদা লৌখিবা থবকশিংসু পরম চুম্না লৌখিব্রা হায়বদু থিজিনহনগনি। করিগুম্বা রিক্রুইটমেন্ট প্রোসেসতা অশোয়বা অরানবা লৈরম্লবদি থবক লৌখিবশিং অদু খুদক্তা ককথত্তুনা নৌনা রিক্রুইটমেন্ট তৌগনি। পরম চুম্লম্লগনা এপোইন্টমেন্ট ওর্দর পীথোকখিগনি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়খি, মহৌশাগী খল ঙাক্লা থম্নবা হোৎনবদা হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জর্বেসন দিপার্টমেন্ট অমসুং ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরোনমেন্ট দিপার্টমেন্ট অসি মরু ওই। অসিগুম্লবা মরুওইরবা দিপার্টমেন্ট অসিনা হৌখিবা চহী মঙারোম অসিদা পায়খৎখিবা থবকশিং লাক্লিবা এপ্রিল ১৯ দগী হকথেংননা য়েংশিল্লগনি। ইন্দিয়া গভর্নমেন্টকী তোঙান তোঙানবা মিনিষ্ট্রি কয়াদগী মণিপুরগী য়াইফননবা হৌখিবা চহী মঙা অসিদা থাদরকখিবা শেন-ফমশিংনা ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

## সরেন্দর পোলিসীনা য়াওল ঈহৌ নমথবা ঙম্লোই : প্রিপাক (প্রো)

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৫ : সরেন্দর পোলিসীনা য়াওল ঈহৌ নমথবা ঙমগদবা নত্তে হায়না পিপলস রেভল্যুস্নরি পার্টি ওফ কংলৈপাক (প্রিপাক) প্রোগ্রেসিবকী এসিষ্টেন্ট পব্লিসিটি সেক্রেটরি ঈশিংচাওবনা খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, প্রিপাক (প্রো) গী কাদর অনী লৈঙাক্তা চঙজরক্লে। গভর্ণমেন্ট অসিবু থাজবদগী য়াওল্লোয় অনীসি চঙজরকপনি হায়না চীফ মিনিষ্টর বিরেননা ৱাজাও ঙাঙলিবা নোক্লিংবা ৱাফমনি। ইকনমিক ব্লোকেদ হন্দোকহনবা ঙম্লে, উখ্রুল টাউনদা চীফ মিনিষ্টর চঙবা ঙম্লে, দিল্লিদগী ফংফম থোকপা শেনফম নীদুনা লৌরুবা ঙম্লকপনা লালহৌবশিংনা গভর্ণমেন্ট অসিদা থাজবদগী সরেন্দর তৌরল্লিবনি হায়বা ৱাফম অসিরা। ইলেক্সন মমাঙগী বি জে পিগী মেনিফেষ্টোদা য়াওবা ইমুং খুদিংগী মীওই অমমম থবক পীগনি হায়বদু সরেন্দর পোলিসী অসিনা ওইগদৌরিবরা। চুম্মী লাল্লি খঙদনা লালহৌবনি হায়জবা ফীভম্না পোত্থাহল্লবা অমদি তান্থোকখ্রবা কয়া অমা গেঙ খুৎপু শেমগৎতুনা মতম মতমগী ওইনা য়াওলগী মায়োক্তা থবক চত্থহন্নবা পোলিসী অসিগী মখাদা থবক পীনি খল্লিব্রা। সলাম সিতলজিৎ মশা য়াওনা ময়ুমগী অহলশিংগা পুন্না উনবদা থল্লল্লিবা ৱাফমশিংদি, য়ুমগী ইংখোল য়োনবদা লোইরক্লে। মরী-মতাশিংনা লম খোপচিনখ্রে, পার্টিনা মতেং পাংবীয়ু, মচলনুপী অমা ময়াংদা য়ুম পান্দুনা ইমুংগী অৱা-অনা য়েংশিল্লি হায়বনি। পার্টিনা লম-ইংখোলগী কেসতা হকথেংননা য়াওবা য়ারোই। সলাম সিতলজিৎসি ময়ুমদা পোত্থারগা লৈগেসু লৈয়ু। অদুগা ইমুংগী মতেং পাংবীয়ু হায়বা ৱাফমসিদা য়ানদুনা লৈবনি। অতোপ্পা কাদরনি ...মখা লামায় ৩ কলম ২

## খুঞ্জাশিংগী মীংদা থাদখিবা ফন্দ, স্কিমনচিংবা মশা-মশাদা য়ৌহন্নবা হোৎনগনি : দেবান

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৫ (ঐচ এন এস): খুঞ্জাশিংগী য়াইফ থৌরাংগীদমক ইন্দিয়া লৈঙাক অমদি মণিপুর লৈঙাক্লা থাদখিবা ফন্দশিং, স্কিমশিং মতৌ করম্না মাঙখ্রিবনো হায়বা থিদোক্তুনা মশা মশাগী মখুৎতা য়ৌহন্নবা হোৎনগনি হায়না প্রোটেক্সন এন্দ প্রিজার্ভেসন কম্মিটি মণিপুর (পি পি সী এম) গী কনভিনর পি ঐচ দেবান শর্ম্মানা ফোঙদোকখ্রে।

ওল বোংয়াং, ন্যু বোংয়াং, সতাং কুকি ভিলেজ অমদি পি পি সী এমনা খুৎশম্ননা শীন্দুনা হিংমিন্নসি ঐখোয় হায়বা হিরমদা ওল বোংয়াং প্রাইমারী স্কুলদা পাঙথোকখিবা থৌরমদা পি পি সী এ, মণিপুরগী কনভিনর দেবাননা হায়খি, খুল অসিনা হৌজিক লৈরিবা ফীভম অসিদা অৱাং অপাশিং অসি ফংহন্নবা তকশিন্দ্রবদি চহী খরগী মতুংদদি মওং-মরিল তাররোই। ২১ শুবা চহীচা অসিদা ঐখোয় মশেলগী মরক্তা অহাঙবা অসি থম্লোইদবনি। পুন্না থেংনমিন্নদুনা চাউখৎমিন্ননবা হোৎনগদবনি।

পি পি সী এমনা কম্যুনিটি অমত্তগী মায়োক্তা লৈতে। অপূনবগী শক্তম অদু পামজে। মণিপুরদা সী এস ওশিং খক্তা নত্তনা মহৈরোয়শিংগী লূপ থারগা অপূনবা বোদি ৪০ গী মথক্তা লৈবনা শেম্বা বোদি অমনি হায়না কম্মিটি অসিবু শক তাকখি। খুঞ্জাশিংনা খোল্লাউ লাউবীরকউ। ঐখোয় মশেল তোৎন-তীন্নদুনা তম্পাক্তা খুন্দা লৈতাদুনা লৈবগুম চীংদসু লৈমিন্নদুনা ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

## মীয়ামগী নুমিৎ থৌরম পাঙথোকপা হৌখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৫ (ঐচ এন এস):

বি জে পিনা লুচিংবা চুংশিন্নবা লৈঙাক্লা থা খুদিংগী তাং ১৫বু মীয়ামগী নুমিৎ ওইগনি হায়না লাউথোকখিবা মতুংইন্না ঙসি পুলিস ষ্টেসন খরদা মীয়ামগা পুলিস ওফিসরশিংগা উনবগী থৌরম পাঙথোকপা হৌখ্রে।





খ্বাইদগী ইহান হান্না পাঙথোকপা মীয়ামগী থৌরম ওইবনা মণিপুর লৈঙাক্কী মরুওইবা লোইশঙশিং অমসুং মিনিষ্টর, এম এল এশিংনা মীয়ামগা শোয়দনা উনগদবনি হায়বা ৱাফম অদু চপ চানা ঙাকপা উখিদে। চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন অমসুং ৱার্ক্স মিনিষ্টর টি ঐচ বিশ্বরজিৎসু মণিপুরগী ৱাংমদা লৈখিবদগী মীয়ামগা উনখিদে। সেক্রেটরিয়েট মনুংদা মীচম মীয়াম চঙবগী অথিংবা লৈখিবনা মরম ওইরদুনা চীফ সেক্রেটরি, প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি অমসুং কম্মিস্নারশিংগা মীয়ামগা উনবগী মতম ফংখিদে।

মণিপুর পুলিসকী ওইনা ঙসি অয়ুক্কী পুং ৯ দগী নুংথিলগী পুং ৩.৩০ ফাওবা তোঙান তোঙানবা পুলিস ষ্টেসনশিংদা পাঙথোকখিবা মীয়ামগা উনবগী থৌরম অদুদা শরুক য়াবা লাক্লিবা মীয়াম্না পুক্লিংদা ফাওরিবা অমসুং পুলিসতা তৌহন্নিংবা থবকশিংগী মতাংদা চিংনবা লৈতনা ফোঙদোক্লমখি। মসিনা পুলিস অমদি মীয়ামগী মরক্তা হেন্না অফবা মরী লৈগনি হায়নসু ফোঙদোক্লমখি হায়রি।





HL-B/3654/7 Feb–7 Mar(Alt)